HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাও

PRIDE MONTH



ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসরগী মীৎয়েং মখাদা সিটিজন্স ক্লবকী টি রাধে কম্যুনিতি হোলদা ইল্লিস কেম্প এন্দ বেক্সনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা স্পেসল ভেক্সিনেসন ড্রাইভতা হীদাক কাপখিবা

ঙসিগী পোজিটিভ লিষ্ট থাগৎপীরক্নো?
☛ লামায় ২

গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা এপোলোজি তৌগদবনি: বি জে পি
☛ লামায় ৩

দি গ্রেট জুন অপরাইজিং, য়ুনিটি ডে ওবজর্ভেন্স কম্মিটিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্নি
☛ লামায় ৬

অসামদা কোভিদকী অনৌবা কেস ১,৭৭৫ থেংনখি, ৩০ শিখি
☛ লামায় ৭

বি জে পি মণিপুর প্রসিদেন্ট খনবগা মরী লৈননা নুমীৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা লৈরিবা পার্টি অসিগী নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ ডা. সম্বিত পাত্রগা মিনিষ্টর বিশ্বাজিৎকা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি খুরুম্মীন্নখিবা



Vol. 45, Issue No. 086 | নিংথৌকাবা, ইঙাগী ১১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, June 21, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## ৪শুবা ওট্টাৱা ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা 'ঐগী কোনা' উৎকনি



ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস):
থা অসিগী ২২দগী হৌরদুনা ২৬ ফাওবা নুমিৎ মঙানি চূপ্না কানাদাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪শুবা ওট্টাৱা ইন্দিয়ন ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা মণিপুরগী শগোল (পোনি) দা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্ম 'ঐগী কোনা' উৎকদৌরি।

ওট্টাৱা ইন্দিয়ন ফিল্ম ফেষ্টিবেল অসি কানাদাগী ওট্টাৱাদা লৈরিবা ইন্দিয়নশিংগী পূক্লিং চিংশিন্নবা পাঙথোকপা ফেষ্টিবেলনি। মসিদা ইন্দিয়াগী ফিল্মশিং উৎতুনা লৈবাক অসিগী ফিল্ম মেকরশিংগী পূক্লিং থৌগৎকনি। ফিল্মগী শিনফমদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা পর্ফোর্মর অমদি এগজিক্যুটিভশিংবু শকখঙগনি। অদুগা ওট্টাৱাদা লৈরিবা ইন্দিয়নশিংদা চেল্লিবা গুণশিংবু প্রমোট তৌনবগীদমক পাঙথোকপা ফেষ্টিবেলনি হায়রি।

...মখা লামায় ৩ কলম ১

## কর্ফিয়ু মনুংদা হিরোইন, দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ফারে

ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস):
মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি (দি পি) না থা অসিগী ১৮দা থোকখিবা আই পি এস/এম পি এস ওফিসর ৩৭কী ওর্দরগী মতুংইন্না থৌবালগী এস পি (ইন-চার্জ) ওইরম্বা ডা. এস ইবোমচা, এম পি এসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি (ইন-চার্জ) গী ঙসি চার্জ লৌবা নুমিৎমক্তদা কর্ফিয়ু মনুংদা য়াল্লবা হিরোইন অমদি দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৩,৬৩৬ পুরগা লাকপা মীওই অনী দ্রগশিং অসিগা কোন্ননা ফাগৎলগা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩০.৬২ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.০৬ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০৩.১২
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### HL Poll

Q: BJP amasung Congress awai akhum tounabagi mahutta punna Covid-19 mayoknabana achumba khongthang oiroidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Houjik faobada Covid-19 second waveki matangda meepum tingna khangba watli haina loubada langadra?

Yes 82% No 18%

### অস! লোইরেহে!

- মসি ঈশিংদি শুক্তা তাদে মচিন য়াম্না থীখ্রে, ঐদি ফুন্দুনা শিদৌরে।



- পাইপতি ফুমদনা কমাইনা তাদৌরিনো, মান্মা।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কনানা ওইগদৌরি

# সম্বিত পাত্রনা মিনিষ্টর, এম এল এশিং তোঙান তোঙান্না উনখ্রে, কোর কম্মিটীগসু খন্নখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস):
বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস তিকেন্দ্রনা লৈখিদ্রবা মতুংদা হাঙদুনা লৈরিবা ফম অসি মেনশিন্নবগীদমক অনৌবা প্রসিদেন্ট কনা ওইহনগদৌরিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। মীখল মতম নকশিল্লকপগা লোয়নননা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী অনৌবা প্রসিদেন্ট খন্ননবগীদমক সেন্টরগী লীদরশিংনা অকনবা মীৎয়েংসু চঙলি।

বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন অমসুং মণিপুরগী ইন-চার্জনা ঙরাং চীফ মিনিষ্টর উনখ্রবা মতুংদা ঙসিসু বি জে পিগী এম এল এশিং অমদি মিনিষ্টরগা তোখায় তোখায়না উনখ্রে। মসিগীসু মথক্তা মহাক মশা য়াওনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী কোর কম্মিটিগী মীফম পাঙথোক্তুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হৌজিক হাঙদুনা লৈরিবা প্রসিদেন্টকী ফম অসি মেনশিন্ননবা অমদি পার্টি অসিনা লাক্কদৌরিবা মীখলদা চাওনা মায় পাকহন্ননবগীদমক পায়খৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদা কূপ্না খন্নখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ফংবা পাউনা হায়, ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০রোম তাবদগী নুংথিল পুং ১ রোম তাবা ফাওবা ডা. সম্বিত পাত্রনা বি জে পি মণিপুরগী ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) অভে গিরি অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন য়াওনা বি জে পিগী এম এল এশিংগা উনখি। উনবা অদুদা বি জে পিগী এম এল এশিংনা থল্লকখিবা ৱাফমশিং তাখি। লোয়নননা বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা হৌজিক কোভিদ-১৯ থেংননবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসি খোঙজেল য়াঙশিলহনবগা লোয়নননা লাক্কদবা এসেমব্লি মীখলদা পার্টি অসিনা চাওনা মায় পাক্লবগীদমক থবক থৌরম কয়া পায়খৎনবগী মতাংদসু খন্নখি।

তুংদা ডা. সম্বিত পাত্রনা নোর্থ এ ও সীদা লৈবা ক্লাসিক হোটেলদা বি জে পিগী মিনিষ্টরশিং অমমমতা ওইনা উনদুনসু ৱারী শানখি। মিনিষ্টরশিংগী মায়কৈদগী থল্লকপা ৱাফমশিংসু তাখি হায়রি।

মিনিষ্টর, এম এল এশিং তোখায় তোখায়না উনরবা মতুং ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০রোম তাবদগী পুং ৯ লোম তাবা ফাওবা পাঙথোকখিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী কোর কম্মিটিগী মীফমদসু শরুক য়াখি। কোর কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা থল্লকখিবা ৱাফমশিংসু মুন্না তাখিবগা লোয়নননা মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কনি হায়রিবা এসেমব্লি মীখলদা পার্টি অসিনা চাওনা মায় পাক্লনবা ৱাফম কয়া খন্নখিবগা লোয়নননা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হাঙদুনা লৈরিবা প্রসিদেন্টকী ফম অসি মেনশিন্ননবা ৱাফমসু খন্নখ্রে। ডা. সম্বিত পাত্রনা মিনিষ্টর, এম এল এশিং তোখায় তোখায়না উনখিবা অমদি কোর কম্মিটিগী মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা অসিগী মতাংদা মহাক্না দেল্লীদা হনখ্রবা মতুংদা বি জে পিগী সেন্ট্রেল লীদরশিংদা অকুপ্পা রিপোর্ট পীগদৌরি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) বি এল সন্তোশসু ইম্ফালদা লাক্কদৌরি হায়নসু অতোপ্পা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# রিমস ওথোরিটিশিংনা কন্ট্রেক্ট ষ্টাফ পূন্নমকপু মমা পোক্তবীদৌনা লোয়নরে

রেগ্যুলরাইজেসনসু তৌবিদ্রবশিং থবক্তগী পোত্থারগা লুপা ১ ফাওবা ফংনীংঙাই লৈত্রে



ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস) :
ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) কী থাক্তা ফাওবা পুখৎলগনি থৌরাংলিবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমা ওইবদা নত্তনা অচৌবা লায়েংশঙ অমসু ওইরিবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) মণিপুরদা কন্সোলিদেটেদ পে ওইনা লুপা ৫২৫০ ফংদুনা ঙসিদগী চহী ৩৪ রোমগী মমাঙ ১৯৮৭কী এপ্রিল ১৬তগী পে অসিমক্তদা কুমজা ২০০৫কী দিসেম্বর ২২ ফাওবদা কন্ট্রেক্ট এমপ্লোয়ী মশিং ৩১ হেন্না থবক তৌদুনা লৈরকপদগী হৌজিক্না অপূনবা কন্ট্রেক্ট এমপ্লোয়ী ৪০৪ হেন্না লৈরবসু ঙসি ফাওবদা রিমস ওথোরিটিনা শিন্নমীশিং অসিগী সোসল সিক্যুরিটি - এমপ্লোয়িজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ (ঈ পি এফ) না কোভর তৌবিদনা লৈরি।

ৱাফম অসি ত্রেদ য়ুনিয়নগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোরকপনি। ঈ পি এফ (সোসল সিক্যুরিটি) অসিবু ইমপ্লিমেন্ট তৌরিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ লেবরগী মখাদা লৈরিবা ইমপ্লোয়ীজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওর্গনাইজেসন (ই পি এফ ও) ওফিস, রিজনেল ওফিস গুৱাহাটি অমদি স্পেসিএল ষ্টেট ওফিস, ইম্ফালনা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা মশিং থিঙমদ্রবা অইবা চেরোল কয়া থাখ্রবসু রিমস ওথোরিটিনা ঙসি ফাওবদা কন্ট্রেক্ট শিন্নমীশিং অসিগীদমক্তা থবক্তা ওন্থোকপীরক্তবা মরম্না ও পি এফ ও ওফিস অসি রিমসকী শিন্নমিশিংগী ওইনদি ফাগি তাবগা পাঞ্জক ওইরে হায়রি।

পাউচে অসিদা ট্রেদ য়ুনিয়নগী লুচিংবশিংনা মখা তানা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না রিমসতা ঈ পি এফ ও, রিজনেল ওফিস গুৱাহাটি অমদি স্পেসিএল ষ্টেট ওফিস ইম্ফালনা হৌখিবা কুমজা ২০১৩দগী কুমজা ২০২০গী দিসেম্বর ফাওবদা রিমসতা থবক তৌরিবা কন্ট্রেক্ট এমপ্লোয়ী ৪০৪ হেনবগী সোসল সিক্যুরিটি (ঈ পি এফ) কোভর তৌহন্নবা কোরেসপোন্দেন্স ১১দগী তাদনা তৌরম্লগী ইভিদেন্স ফংবসু ঙমখি। অদুম ওইনমক রিমস ওথোরিটিনা থৌওইনা লৌবিদবনা থবক অসিগী প্রোগ্রেস লৈরমদবসু থেংনখি। লোয়নননা কুমজা ২০১৩গী মার্চ ২০দা কোরেসপোন্দেন্স তৌরমখিবা লেটর অদুগী রিফরেন্স নম্বর এ এস/সী ও ভি/ইনভেষ্ট/ঈ এন এফ/৬৭৯৮-৯৯ অসি মতম অদুগী ই পি এফ ওগী এসিষ্টেন্ট পি এফ কম্মিস্নর (কমপ্লাইএন্স) শামুল দাসনা ইখিবনি। লোয়না অনৌবা লেটর অদুনা রিফরেন্স নম্বর. এ এস/এন ঈ/জি ঐচ ৱাই/আর সী-সেক্রেটেরিএট/২০২০-২১/৪৩৪ অসি কুমজা ২০২০গী সেপ্টেম্বর ১০দা রিজনেল পি এফ কম্মিস্নর গুৱাহাটিগী পি হঙশিংনা রিমসকী দিরেক্টরদা ইরম্বনি হায়রি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈরিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# চলৱাগী থৌদোক্তা চেন্নবা এ আরগী মেজর অলোকনা হায় কোর্টতা এন্টিসিপেটরি বেল পীবীয়ু হায়জরক্লে

ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস):
চৎলিবা থা অসিগী ৪গী নুমিদাং পুং ৯ লোম তারকপদা কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা আই টি রোদতা কিলোমিটর ৫০ রোম চঙশিল্লগা লৈবা চলৱা খুলগী মফম অমদা মাংবোইলাল লৌভুম (৩২) অপোকপা সেলম লৌভুম কৌবা মীওই অমা নোংমৈনা কাপ্পদগী শিখিবা থৌদোক্তা চেন্নরিবা ৪৪শুবা অসাম রাইফলসকী মেজর অলোক শাথে অমসুং মহাক্কী এস এন অমর লমকাং কৌবা পর্সনেল অমনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা মখোয় অনীবু এন্টিসিপেটরি (প্রি-এরেষ্ট) বেল পীবিনবা হায়জরক্লে।

অসাম রাইফলস পর্সনেলশিং অসিগী মায়কৈদগী মখোয় মশা মশানা পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা প্রেয়রশিং অদু কোর্টনা লৌখৎখ্রে। লোয়নননা মেজর অলোক শাথেগী প্রেয়র পিটিসন অদুনা কোর্ট অসিনা এন্টিসিপেটরি বেল নম্বর ২৫ ওফ ২০২১ ওইনা লৌখৎখিবগা লোয়নননা মহাক্কী এস এন অমর লমকাংগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা প্রেয়র অদুবুনা এন্টিসিপেটরি বেল নম্বর ২৪ ওফ ২০২১ ওইনা লৌখৎখ্রে।

কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী জুরিসদিক্সন্না কোনশিল্লিবা গেলনেল ভিলেজ (বংলাবুং) দা লৈবা ৪৪শুবা অসাম রাইফলসকী পোষ্ট কম্মান্দর ওইরিবা মেজর অলোক শাথে অমসুং মহাক্কী পর্সনেল অমনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা বেল প্রেয়রশিং অসি থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ (ও সী) বু রেসপোন্দেন্ট ওইনা কোনশিল্লগা মহাক্কী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

মখোয় অনীগী এন্টিসিপেটরি বেল প্রেয়রশিং অদু খন্ননবগীদমক হয়েং কোর্ট অসিগী জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ৭ অমসুং ৮দা লিষ্ট তৌখ্রে।

# পোজিটিভ কেস ৫২৭ থেংনখি, ৮ লৈখিদে

ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস): ঙসি নুংথিল মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমনা থোরকখিবা চেরোল অমদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ৫২৭ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি হায়বগা লোয়নননা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ৮ লৈখিদ্রে হায়রি।

কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অসিনা হায়বদা, থেংনখিবা পোজিটিভ কেস মশীং ৫২৭ অসিগী মনুংদা নুপা ২৬২নি। অদুগা নুপীনা ২৬৫নি। মখোয় লোইনমক জেনরেল পোপ্যুলেসন্দগী ঙাক্তনি। অদুগা পোজিটিভ কেসশিং অসিবু থেংনখিবা টেষ্টিং সেন্টরশিংনা রিমসতা ৩০, জে নিমসতা ২০, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৩৩১ অমসুং অতোপ্পা টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা পোজিটিভ কেস মশীং ১৪৬ থেংনখিবনি হায়রি।

ঙসিগী ওইনা পোজিটিভ ওইখ্রবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ৭৮, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৬৯, থৌবাল ৬২, বিষ্ণুপুর ৬৬, ককচীং ৫১, উখ্রুল ১০, চুড়াচান্দপুর ৪৫, চান্দেল ৩, সেনাপতি ২, তমেংলোং ৯, তেংনৌপল ৩, কাংপোকপী ২০, কামজোং ১, নোনে ১ অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৭নি হায়রি। মখোয়গীদমক লৌখৎফম থোকপা মাঙজৌনবা মেদিকেলগী মথৌ তাবা থবকশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ট্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ৮ লৈখিদ্রে হায়রি। মীওইশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১, ইম্ফাল ইষ্ট ২, থৌবাল ২, বিষ্ণুপুর ১, ককচীং ১ অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি। অদুগা মীওইশিং অসি লৈখিদবা লায়েংশঙশিংনা রিমসতা ১, জেনিমস ৪, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবাল ২ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল চুড়াচান্দপুরদা মীওই অমা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# থৌবাল কৈবুংদগী ফংখিবা অরিবা চফুশিং মোংয়াম্বা নিংথৌগী মতমগী ওইগদৌরিব্রা

পুৱারীগী লিক্লম...
নোমিতা খোংবান্তাবম



ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস):
নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ইম্ফালদগী কিলোমিটর ২৮ লোমদমক লাপ্না লৈরিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৈবুং ময়ায় লৈকায়গী মীওই অমনা মহাক্কী ময়ূম শানবগী য়ুম্ফম থোন্নবা লৈবাক তৌথোক্লুবদা লৈনুংদা লৈরম্বদগী ফংলকখিবা অরিবা মতমগী চফুশিং অসিনা অদুঙৈ মোংয়াম্বা নিংথৌগী মতমগী চফুশিং ওইগদৌরিব্রা হায়বগী পাউখোং ঙসিগী মীরোলদা চল্লরে।

অরিবা চফুশিং অমসুং অকায়-অতোয় য়াওরম্লবা চফু মচেৎশিং ফংলিবা মফম অসি থৌবাল তুরেলদগী শুপ্লতগী ফুট ১০০ রোমদমক লাপ্লবা মফমদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬




HL-B/7003/21